*"ঐগী অপান্বসি য়াম্মন্দনা ঐঙোন্দা খরদুম ৱায়। ঐ য়াম্না পাম্মী। সাহিত্য হায়বা, কলা হায়বা আর্টিষ্ট হায়বসিদি অদুম মরী খরা খরা লৈনবা ঙাক্লি।"*

*- এম কে বিনোদিনী*

# শৈরেং

## হয়েংদা (১৬৫)

পুন্সি! ঐ খঙদে করিনো হায়বা নহাকসে,
অদুবু মসিমদি খঙই নঙগা ঐগা কায়নগনি শোয়দনা;
কদৌঙে, নৎত্রগা করম্না নৎত্রগা কদাইদা
থেংনখিবা ঐখোয়নি
মসিমদি ওইরি ঐঙোন্দা অরোনবা অমা হৌজিকসু।

পুন্সি! ঐখোয়'নি কুইরে লোয়নরক্লিবা
নুংঙাইবগী মরক্তসু অদুগা অৱাবা কয়াদসু,
অৱাবনি কায়নবসে নুংশিরবা মরুপশিং-
তিংবা য়াই নুংশা মপী'মা, পিরাং মরীক 'মা;
- অদুদগী পুখিবা লোন্না, পীরল্লগা ঈঙ্গিৎ মচা'মা,
নঙগীসু অপান্বা মতমদুদা;
কায়নরসি দি হায়গনু,-অদুবু মপোক অমগী
নুংঙাইবা মতম 'মদা
য়াইফরসি হায়নসি ঐখোয়'নি।

**A. L. Barbauld গী TO MORROW হায়বা শৈরেংগী ১৬৫শুবা মশীংদু শ্রীভক্তনা হন্দোকপা**

## কলাকার

**—এল চিত্র**

মোনালিশাগুম্না, পূক্লিং শায়োনগী শক্তম লৌ
ঐনা ৱারবা মতমদসু
নঙতদি অৱাবা মায়থোঙ উৎপীগনু।
ঐনা শাওরবা মতমদা
নহাকসু অশাও শক্তম লাংগদবা নত্তে।
মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা
অথেম শক্তমদা লাক্কদবনি।
ফাওখিসনু লীওনার্দো দা ভীনশিগী
মোনালিশা মোনালিশা
মালেমদা খ্বাইদগী শকহেনবীনী
শোন্নসনু তাইবঙনা মোনালিশা মোনালিশা
চহী ৩০ চঙনা থিরুবদা ফংলকপা
ফজবশিংগী ফজবী
শকহেনবীলক্তগী শকহেনবী
মালেম থুংনা কোয়দুনা
লৈজবা খিবিক কৎতুনা
ফংখি থিরুবদা মোনালিশা।
য়েক্লুবগী মহাক্কী শক্তম
ফাওখি লীওনার্দো দা ভীনশি
কলাকারনা কলাকারনা
তাইবঙ থম্মোয় হুরবা
লেংদ মীংচৎ উরোং খিল্লবা মালেমদা।
পামজদে শকহেনবীগী অথোই নাপল
অশাও মীৎয়েংগী মায়োক্তা
থোৎ নৌবা য়াওদ্রবা অশাও শক্তম।
মোমোন মীনোক্কী মায়োক্তা
পূক্লিং হুরবা মোমোন মীনোক
চুম্মী ফজবী নুপীগী লময়ৌবী নাপল।
মায়থীনবনি থম্মোয় ফাবা ঙমদ্রবা
অয়েংবা কয়াগী অঙাওবা মীৎয়েং।
অদুবু নঙতদি ওইহন্নীংদে
নাপলগা ইরোয়নবী ফজবী নুপী
ওইহন্নীংই নঙবু মোনালিশা।
চহী লিশীং কয়া কয়া
তোর্ব্বান্দা ফমদুনা
মশানৌবু খৌরাং মীৎয়েংনা
লাংতক্না মায়থোঙদা ঙাইখিবা।
ঙাইবীরম্মু ঐবু নুংতিগী
থোঙনাওগী মীহুৎথোঙ পর্দার মরুমদা
মীৎয়েংদো উবদা
য়েকলমগে ঐসু নহাক্কী শক্তম
নুংশিবগী অঙৌবা চেবাংদা
নীংশিংবগী মচুনা
ঐগী মোনালিশা, মোনালিশা
ঙসিদি ঐসু কলাকারনি কলাকার
লীওনার্দো দা ভিনশিগুম্না
ফজবতা থিবা, নুংশিবদা ঙাওরবা।

## কোরোনাগী অনীশুবা লাঞ্জাও

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

লৈকায় লৈকায় মচাশা
তাদবা তাহৌরো, খঙদবা খঙহৌরো
মাঙখ্রবোই তাকখ্রবোই নীংলুরবা
থৌদু নুঙপাক্না নন্দুনা থমখিবা
মোদেনা হীংচাবা কোরোনাদো
নৌহৌননা শাফোঙলক্লে মালেমদা
খুকউ শেঞ্জহৌ মতম লৈরিঙৈদা
অৱাবগী ঈপাক্তা তাশিন্দ্রিঙে;
লান্দারক্লে মহাক্না মীওইবা খুন্নাইদা
এটোম বোমগী শক্লোন লৌদুনা
ঙম্নমক য়োৎশিনখ্রগে মতাগুম
থনবা নাইদ্রবা মাগী পীবুক্লুংদা
নত্তে কারক্লিবসে ঈথক মহাক্কী
সুনামিনি সুনামি তমথীবদগী তমথীরবা
তেমশিংনরক্লিবসে ঐখোয় পূন্বদা
মানা ঙমদবা য়াদে মতাগুম;
কাং খোং চাইনরে পুন্সি মহিং
হা কার লাউনরে তাইবঙ মী
নিংশা শ্বর হোনবদা তঙাইফদ্রবা
হুমলে নুংশিৎ মানা ফংলক্ত্রবদা
লাক্ল-ফানবা ঙমদ্রবা লম্মৈগুম
চাক্লক্লে চিতানা লাউনা খোংনা
নিল্লক্লে তেংথাখোলনা নোংদোলথকসে
মরী-মতা শেৎন-খায়নখ্রবশিংগী;
বৈগ্যানিকশিংনা তূম্বা-চাবা খঙদনা
নহাক্তবু ঙাকথোক্লবা শেম শাজখিবা
কোভিশিল্ড কোভেক্সিন ঙম্নমক
কাঙ্খ থাঙ তাবা তারবরা
দবল ম্যুটেন্ট, ত্রিপল ম্যুটেন্ট
মিৎকুপ মিৎকুপকী ফিজোল হোংবা
পুকফত্তবা কপত্রেং নঙগী নমাঙদা
পান্বৈ লৈশিল্লক্ত্রেনে ঐখোয় মীওইবসে;
য়ান্থুৎখিবদো ঐখোয়না উপাল-ৱাপাল
কোকথোককখিবদো ঐখোয়না উমং-ৱামং
তেমথোকখিবদো নীংঙাইদনা চীংজাও-চীংজাউ
ঐখোয় মঙায়রে কল্লবনি খন্দুনা
খূৎশেম হৈরবা ঐখোয় মীওইবনা
শোকহনখিবা অকোয়বগী ফীভমদো
ওনখৎতুনা লান্দারক্লেদো ঙসিদি
চেলহৌরসি থৱায় মঙামক পুদুনা।

## পন্থুংফম

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐ কপ্লে ঙসিদি
হরাওমনখিবনা
কপ্লে ঙসিদি।
ঐ
ৱামনখিবনা
কপ্লে ঙসিদি,
করম ফোঙদোক্লসিগে
কনাদা করি হায়না
হায়রসিগে।
অৱা-নুংঙাই অনী
পূন্না য়ানশিন্দুনা
কপ্লিবা থম্মোয়সে
কনানা লাক্তুনা থেল্লগনি।
থম্মোয়নদি ঙাইরিনে
কনাগুম্বী অমবু
থম্মোয়গী মরুমদা
লোৎতুনা লৈবগুম।

## ঋতুরাজ

**—এম নিলকুমারি**

য়েংলুসি, থিরুসি-চৎলুসি
ঋতুরাজ বসন্তগী হৈকোল-লৈকোল
হৈকোলনি মপালনা ইঙৌ ঙৌরবা
অশংবা মপালনি থুল্লবা হৈনৌগী
অঙৌবা মপালনি হৈখা মালহৈ মহৈগীদমক্লি
তঙাংলিবনি চুমৱ্রৈ মপাল
য়েংলুসি চৎলুসি থিরুসি খূৎশম্ননা।
ফংলক্কনি নৌদুনতা লৈরগদবা
'ডা. কমলগী মাধবীগী লৈকোল,
শজিবুদা শাৎপা লৈহাওদি
অচম্বা লৈহাও নত্তে,
ফিগাও থন্না হেকখো"
নুংশি নুংওনগী লম্বী চৎলিবা
কনানো কাউগদবা!
ঙংদুনতা লৈহৌরগনি থম্মোয়গী মল্লবা কাচিন্দা
কল্পনাগী লৈকোলগী ফজবনা
শুমহৎলবা নহাক্কী পূক্লিং হকচাং ৱাখল
মান্নহল্লি মতম পূন্বদা।
নৌদুনতা লৈরগদবা নুংশিরবা
হৈরাং লৈরাংগী লৈনম
নৎত্রনে থম্মোয়গী থাদোকপা য়াররোইদ্রবা নুংশিবা
নুংশিদ্রনে কল্পক্তুনে লৈতংগাইগী লৈবাক লৈ
মুরৈনবনা লৈয়োন ওই
অঙৌবা মচুনা কোয়না ঙাক্লিবা
য়েংলুসিরা ঋতুরাজ বসন্তগী চিংথবা য়াদ্রবা লৈকোলসে।

## কৌরক্লে ঐখোয়বু খূৎলাম তোয়না

**— মৈস্নাম বিরমনি**

লাও মরুপ চৎসি লাও
লৌবুক মায়কৈ পাংসি লাও
মীনাই নাইথাং থাদোক্লসি
মিপান তাংবা তোক্লসি
ইখোঙদা লেপ্পসি ঙসিদি।
নিলহল্লসি নোংমদোন
অর তি তি খোঞ্জেলনা
লৌলিংবীগী তান্থানা
থেক্লা জগোয় শাহল্লসি
ঙাওহল্লসি তৌদ্রিগী সুরদা।
শমু পাঙ্গল সু নোপতেদো
ৱাখল লৌশিংসু তাদেদো
চীংজুম লাইজ ঈহৌরি
নামিবা নুংশিৎনা থৌগল্লি
ফৌনা জগোয় শাহল্লসি।
লৌমী পরেং লেংলসি
কবিগী পূক্লিং হুহল্লসি
উরোক পরেং শিংথাবগুম
সাহিত্যদা ইমিং চলহনসি
করি ৱাত্তেনা ঐখোয়গী
ফৌগী চরোং য়েংলগা
সনাগী মচুবু উরগা
ইচা তোম্বী নোকচরি
ঐগী নাচোম শারনি
হুমাংগী মমলনা লৈগনি
থাঙ্গোল খূৎতা পায়খৎলু
লৌখাও ঈশৈ শক্লকউ
লৌরোক জগোয় শাজহৌ
ৱাৎতা পাদবা কলানি
মালেমদা থিবা ফংগদবনি।
ফৌগৈ চোন্না হাপকনি
শিন্থা হুমাং তৈথোক্কনি
লৈবাক মমাঙদা লেন্নগনি
মীখা পোন্দবা ঐহাকনি
ইচাতোম্বী মোমোন নোকহনগনি।
ফৌশুগী তান্থাদা শক্কনি
অৱাবা কাউহনবা ঈশৈ;
নুংশিবা চেঙগী জগোয়দু
য়াংকোক থন্না উগনি
হৈশিংবা খুদোম্বীগী তান্থাদা।


## থম্মোয়সিনা হংনিংলি

**—লৈশাংথেম প্রিয়া**


তাইবং খোঙচৎ অসিগী তাঙ্কক অমদা থেংনখি
কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমা ।
মীপূম খূদিংমক পুন্সি লম্বীদা
নীংবা খূদিং থুংবা ওইদে মীওইবা ।
ঐনা খঞ্জরিবা নুংশিজরিবা মাবু
ঐগীখক ওইবদি লাইরদনা
মনাক্তা নকশিল্লুবা ফাওবা ঙমদবা কয়ানি।
থম্মোয় শেংনা মানা মরোইরে
ঐগীনি খঞ্জরুবা কয়া ওইখিবনি ৱাখলনা অঙাওবা,
মসিদা করিবু নুংঙাইরিবা নঙনা ?
ঐনা নঙবু নুংশি নঙনা মাবু নুংশি
মানসু কনাগুম্বা অমা নুংশিরম্বা য়াই,
ঐনা ফংলিবা অৱাবা নঙসু ফংলম্বা য়াই
মসিবুরা নুংশি লম্বীদা নুংশিবগী মথেল ?

## মতম মতমগী ৱাখল

# কৌব্রু অমদি ঐখোয়




Mt. Koubru holy place



Great wall of China

চীং অসি মীওইবা খূদিংমক্কী হৌরকফমি, খূন্থোকফম্নি । মীওইবা কাঙলুপ খরখক্কী নত্তে। মণিপুরগী চীংশিং অসিগী মনুংদা তম্পাক্কা নক্লবা চীংশাং নাপোম খর লৈরিবসি তম্পাক্তা খূন্দাখ্রিবা মীওইশিংগী খূন্থোকলকপগা মরী লৈনগনি। মী হায়রিবসি মীতোপশিংদি নত্তে। য়েক সল্লাইগী চাদা নাওদা ওইরিবা লমদমসিগী মীওইশিংনি। অতোপ্পা মফমদগী লাক্লগা খুন্দাররিবশিংগী হৌরক ৱারীনা অমনি। মতমগী মতুংইন্না মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েংনরকপদা চীংদগী তম্পাক্কী মফমশিংদা কুমথরক্তুনা খুন্দানরকখি। ৱাফমসি অনৌবা নত্তে। খুন্থোকলোন অমদি খুন্দালোন লাইরিকশিংদা ময়েক শেংনা পন্দুনা লৈরি । মণিপুরগী তম্পাক্কা নক্লবা চীংশিংগী মনুংদা অৱাং মাইকৈদা লৈরিবা কৌব্রু অসিমদি য়েক শল্লাইচাশিংগী ওইনদি অসুক্কী মতীক মরুওইখ্রে । অৱাং ঙাকপা লাইনি মমিং কৌরেংঙেং কৌই। কৌব্রু চীংদা পাল্লি হায়বগী কৌব্রু কৌই হায়বসি অরীবা লাইরিকশিংদা পল্লি। কৌব্রু নৎত্রগা কৌপলু অমা ওইজসনু মতমগী হোংলকপনি । লাইনিংথৌ কৌব্রুগী মচা মাপলনি। মচানিপা ৱাংব্রেন (ৱাংপুলেল) মখা মাইকৈদা শরোয় ঙারোই ঙাক্লবা লৈহনখি। মতৌ অসুম্না মার্জিংগী ৱারী, লোয়া লাকপগী ৱারী, থাংজিংগী ৱারী, কৌবা কৌনুগী,লংমাইচীংগী লাঙ্গোলগী, হৈবোক্কী অমদি অতৈ চীংশাংশিংগী ৱারী অমমম লোইনা লৈজরি। চীংয়াদা তাবা, তম্পাক্কী য়েক শল্লাইচাশিংগী খুলগী মীওইশিংগী থাজা ৱারী, চীনবুং ৱারী অমমমসু লৈ। য়েক শল্লাই হায়বসিদা মৈতৈ ঙাক্তা নত্তে চীংমী কাঙলুপশিং য়াওরি। চীংমী হায়বসিদা চীংমী খূদিংমকতি কোনশিন্দে। মৈতৈ হায়বসি অমখক্ত নত্তে অপূনবনি। মৈতৈসু চীংমী অমনি। চীংদগী লোইনমক কুমথরকখিবনি হায়বসি অরীবা লাইরিকশিং- সকোক লমলেন,পুদিন, লৈথক লৈখারোলনচিংবা লাইরিকশিংদা অদুম য়াওজরিবনি।

কৌব্রুগী মতাং অসিদি, তম্পাক্তা তারিবা য়েক শল্লাইচাশিংগীদি খ্বাইদগী মরুওই। লমদমসিগী হৌরকফম তাকপদা, ইপা ইপুবু ঈরাৎচবগী থৌরম কৌব্রুদগী হৌই। উংমলাই হরাউবা অহানবা হৌখিবা মফমসু কৌব্রুদনি । ঐখোয়গী লাকফম্নি অমদি হনখিগদবা মফমসু কৌব্রুদনি হায়বসি ঐখোয়গী শক্তম তাক্লিবা উমং লাই হরাউবা থৌরম অসিনা অদুম তাকচদুনা লাক্লি। মীরোল অমদগী মীরোল অমদা লাই হরাউবগী থৌরমদা "অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা, লাইয়াম খুন্দা অহানবা, চরিক মপান থারিবা নোংখ্রৈ মউ লিংলিবা, শামু অঙৌবা তোংলকপাা, ইঙা কুমদম্বা, ইঙেল কুমখাইবা, উন তরুক ঈরিবা, ৱাউ তরুক ঈথাবা..." হায়না শক্লরি। ফয়েং, সেকমাই, খুরখুল,লৈম্রাম, অৱাং মাইকৈদা মরুওইনা খুন্দরিবশিং অমদি চকপা কাঙলুপ্পা উমং লাই হরাউবা থৌরম পাংথোক্লিবসি লাইনিংথৌ কৌব্রুনি। কৌব্রুবু উমংলাই ওইনা লাৎচবা খুন কয়া অমা লৈরি। লাইনিংথৌ কৌব্রু হান্না হরাউদনা অতৈ উমংলাই হান্না হরাউনদবা অসিসু চৎনরকই । চৎনরক্লিবা হীরম অসি ঙসি ঙরাংতগী নত্তে । ৱারম,হীরমশিং অসি অরীবা লাইরিক লাইশু পারগা খঙবা ঙাক্তনি। চীনবুং ৱারী ওইনা শাজিল্লগা হায়বা নত্তে ।

কৌব্রু অসি লাইবুংথৌ মাপলগী মনুংদা অমনি । কৌব্রুবু কুমদম লাই (নুংশিৎ লমগী কুমদম্বা)ওইনা লৌই। 'কৌব্রু' গী মিং অসি তম্পাক্কী মৈতৈশিংনা থোনবনি। লাইনিংথৌ অসিনা লৈবা মফমবু কৌব্রু কৌই। চীংদোন্দা লৈ। মনাক্তা ঈকোম অমা লৈ, শঙগাই য়ুম্ফম লৈ, ইকোম মপান্দা খোংনাং অমা হৌই। নোংচুপ লমদা নোংথৌ কোংঙাগী চাকলীক মপান হৌই। সোরারেলগী খুভম লৈ, ঈশিং থোকই.. অসিনচিংবা ৱারম কয়া শীংথাদুনা কৌব্রুগী মরমদা 'চীংলোন লাইহুই' অরীবা লাইরিক্তা ইরি।কৌব্রু চীংশাং নাপোম অমদি মসিনা কোনবা খুলশিং অসি 'ক' ন হৌবা মিং কংলাতোম্বী, কাংপোকপী থোন্দুনা লৈরিবসি মরম লৈরি।

পূম্নমক অসি নৈনবদা মতম য়াম্না চঙগনি। ঐখোয়না চাওথোকচরিবদি- ঐখোয়গী অহল লমন, ইপা ইপুশিংনা মমল য়াল্লবা লাইরিক কয়া ইদুনা থম্বীরম্বা অসি মমল য়াম্মী।

হৌজিক তম্পাক্কী মীওইশিংগী অশোয়বা য়াম্না লৈরে হায়বসি হন্দক্কী থৌদোকসিদগী খঙবা ঙম্মী। মতম শাংনা লমদমসিগী চীংশিং অসি ঐখোয়না মীরাইদুনা লাকখ্রে । ঐখোয় চীংদা কনাঅমত্তা চৎনিংদে। ঐখোয়গী হৌফমদা চৎনিংদ্রবনিনা চীংদা করি ওইরি হায়বা খঙলক্তবদগী থোকহন্নিংদবা ময়াম অসি থোকলকপনি হায়বসি ঐখোয় ইশানা য়াজবা তাই । অরীবা লাইরিক্তা ইরম্মী হায়দুনা অসুম লৈবনসু হৌজিক্কী মতমসিদা য়ারকত্রে । য়েংশিনবা, তোয়না চৎলুবা, করিগুম্বা খরা তৌরুবা হায়বসি মতমসিদদি মরূ ওইরকই।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা শজিবু থাসিদা কৌব্রু কানরকই । অমুক্তা নত্তে, চৎনবী অমা ওইনা মী অমনা চীংদা অমুকপু কাখ্রবদি অহুমলক শুদবা য়াদে হায়দুনা নমদুনা চীং কাননবগী চৎনবী অমসু লৈরকখি। তৌহৈদে হায়বসি তম্পাক্কী মৈতৈশিংগী মফমদদি লূম্না লৌই । অহল ওইরবা নুপা নুপী, ইমা ইবেলশিং মতম অমা ঐখোয়গী মীরোল ফাওবদা কৌব্রু কাখিদবা মী লৈরমগদবা মান্দে । হৌজিক্কী মতম অসিদা কৌব্রু কাবা তম্পাক্কী মী কয়া লৈবগে মশীং থীদুনা চাংদম্নবদা নহালৱাইনা শোয়দনা হেনগনি। মসিগী মরমদি চীংসি ঐখোয়গীনি থাদোকপা য়াদে হায়বসি লৈবগীনি। চীং কাবা ৱায়,চৎলরোই খনগনি। চীং কাবগী মতম লাক্লগদি ৱাখিবদু কাওখি। অমুক হেক্তা কানিংগনি, চীংদা চৎনিংগনি। মসিগী হৈনবীসি ঐখোয়দা লৈরকখি। চীং কাদুনা লাই খুরুম্বা হায়বসি ঙল্লিঙৈদগী ঐখোয়না থেংনরকই। চীংথক্তা লাই লৈ হায়না থাজনরকই। চৈরাওবদা চীং শোয়দনা কাগনি। লৈ লাংবা হায়দুনা চীংদা লৈ থিবা চৎপগী ৱারী,থৌদোক, থৌরমসু লৈ। অতৈ মরম খরদসু চীং কাদুনা থৌরম পাংথোকলকই । চীংদা হরাউবা থৌরম পাংথোকপা লাইসু লৈ। মখল মখলগী থৌরমনি। চীংবু থাদোকপা য়াদনা লাকখি।

হৌজিক্কী মতমসিদা তম্পাক্কী মীনা চীংদা চৎখিদবসি মরম কয়ামরুমবুদি লৈরমগনি। মশাগী অচিনবা থবক লৈবা, মতম শংদবগী অদুনা অমা ওইজখ্রগা মরুওইবা মরম অমদি চীংদা চৎপসি খুদোং থিবা নংগল্লি । মতম অমনা শা কৈ থেংনগনি হায়নরম্মী, হৌজিক্না মী ফত্তবা থেংনগনি খল্লি। মীহাৎ মীপুন ফত্তবা তৌফমসি চীংদা ওইরকই। মসিনসু তম্পাক্কী মীশিংনা চীং অসি চৎনিংলক্তে। কনাগুম্বা মীকী-লাইকীদবা খরদি চীংদা লম কন্দুনা লৈবা মী য়াওই। চীংদা মৈতৈনা খুন্দাবসি খরখক্তনি । চীংদা খুন্দাবা য়াদে হায়বা ফোরেষ্টকী অথীংবসি তম্পাক্কী মীশিংনা খংঙি অদুনা ঙাক্লসু চৎনৈ । মীতোপ্পা লোন্না চঙশিন্দুনা খুন্দাবা মশীং য়ামখৎলকই হায়বসি খঙনরবা ৱাফম্নি। মৈতৈশিংদি খুন্দাবা তারবসু চীংখোংদা করিদা খরা লৈনবগী ৱানি। চীংদোন য়ৌনা কাদুনা মীনা খঙলোইদবা মফমদা খুনলীংদুনা লৈরুবসি তম্পাক্কী মীওইশিংদি তৌনদে। হৌজিক্তি চীংগী মপুসি মীতোপ্পা ওইরকলি। কৌব্রুখক্কী ৱা নত্তে, মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তা চীংগী মপুসি য়েক-সল্লাইচা নত্তবশিংনা ওইরি । তম্পাক্কী মীওইশিংনা চীংদা লৈরুবদা য়াহন্দে। চীংদা লৈবা চীংমী মীতোপশিংনা অনীমক্তা খুন্দাবদা য়াহল্লিবসি অচৌবা অশোয়বনি । হৌজিক এম এল আর এক্ট অসি শেমদোকপা মথৌ তাই। কৌব্রুগী ৱাফম্না নাকল অমদা থমখ্রগা ইনক নকপা লাঙ্গোল, নোংমাইচিং চীং, হৈবোক চীং, লংথবাল চীং, কৌত্রুক চীং, থাংজিং মার্জিং চীংশিংদসু চপ মান্ননা থোক্লি। ৱাফমসি লুনা অমদি লূম্না অখঙ অহৈশিংনা খন্নহৌবদি চুম্মী। ইরাং থোক্লরগতদা নীংশিংবসি অফবা ওইদে। লোন্না খুন্দাদুনা লৈশিনখ্রগা চহী খরা হৌখ্রগা মখোয়গী মপা মপুগী লমনি হায়বসি অঙকপা ফাওই। শেমজিন শাজিনবা রেকোর্দ অমদি ৱারীনা খুরৌ থাংবসি হেনমল্লি। হন্দক্কী কৌব্রুদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা অতৈ চীংগী মফমশিংদা খুন্দারিবশিং অসি ফোরেষ্ট রিজার্বনি হায়না লাওথোক্লগা খুদক্তা তকথোক্লবা থবক মরী লৈনবশিংনা পায়খৎহৌদ্রগদি চহী খরগী মনুংদা লৌ মপু য়োংনা তানবা হায়নরিবসি চুল্লগনি।

খ্বাইদগী নুংঙাইজদবদি কৌব্রুগী লাইফমলেন্দা মীতোপ্না মপু শাদুনা অথীংবা থমখিবা, চৎথখিবা থৌদোক অসিনি। মরূ ওইবা মফমশিং খল্ল খল্লগা মীতোপ্না খুন্দাশিল্লকপসি খুদক্তগী মরী লৈনবশিংনা থিংহৌসি । অচুম্বা ৱা হায়বদা কাঙলুপকী ঈরাং শাগৎপনি হায়না লৌবসু লানগনি। ঙরাং নহানখক্তা মালেমগী ওইনা 'ৱর্ল্ড হেরিটেজ দে' হায়দুনা ঐখোয়না থৌরম পাংথোকলিবসিগী ৱাহন্থোক লমদমসিদা লৈত্রে। ঐখোয়গী হৌরকফম, খুন্থোকলোনগা মরী লৈনবা মফমশিং চীং,পাৎ,তুরেল কনবা হায়বসিসু হেরিটেজ কনবনি, ঙাক শেনবনি। কোনুং অমদি কংলা কনবা ঙাক্তনা হেরিটেজ নত্তে । কনাগুম্বা মশক নাইবা মীওই খরদি হেরিটেজ হায়রগা কোনুং, লাইশঙ, হোজং,কংলা, লানবন ঙাক শেনবা খক্তবু হেরিটেজনি হায়বা য়াওই। অরানবা ৱাখলসিনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তসু ঙাঙবা তানরক্তবা ওইরি। হৌজিক্তি থোক্লরগা খঙলে হায়বদুনি। ঐখোয়না কলহৌগদবসি চীং খক্তা নৎত্রে পাৎ তুরেলসুনি। পাৎপান্দা, তুরেল মপান্দা কনানা করম্বা মীওইনা খুন্দারিগে মসিসু য়েংশিনবা চুম্মী । মতম অমগী চেঙগৈ পাৎ, ৱাইথৌ পাৎ,লম্ফেল পাৎ করম্বা ফিভমদা হৌজিক লৈরিগে? ঐখোয়না উজবা খরত হায়জবনি । অতৈ মফমশিংদসুনি। মীতোপ ঙাক্তনা লমদমসি খুন্দারবনি। তম্পাক্কী মৈতৈশিং য়েক সল্লাইচাশিং মিকপ থোকপা মতম থেংমল্লে। পুক ফরিঙৈ, পোৎলান্নরিঙৈ, চাক চামিন্নরিঙৈ মীতোপ্না খুজাই থাংজিল্লকপসি য়াদে খঙহনবা চুমগনি। ঐখোয়না অমত্তনি হায়দুনা লাওদুনা লৈরগা নাকল অমা থাদোকপসি চুমলিব্রা? চিনাগী গ্রেট ৱাল শাবগুম, হিমালয়গী চীংশাংদা কৈলাস মানসরবর লাইশঙতম্না খোঙচৎ চৎপগুম ঐখোয়গী নাৎকা শাগোন্নরিবা হৌরক ৱারীগা মরী লৈনরিবা থাংজিং, মার্জিং, কৌব্রু, নোংমাইজিং চীংগী মফমশিংদসু অঙম্বা থাক্তা লম্বী থোং শেমজিন শাজিন্দুনা মীয়াম্না নীংজবা লাই নীংতম্না খুরুম্বা চৎনবা শেম্নবগী পোরম য়াৎহৌরসি ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৯৩

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

খোল্লাউ, লাউরিবা খোল্লাউ পূম্নমক অদু অতৈ খোল্লাউগুম্না মহাও য়াওদবা অমদি ৱাহন্থোক লৈতে, মরমদি হৌজিক সিকিগী মহুৎতা মখায় মখায় ওইনা চৎনরে। সিকিগী মতম লোইখ্রে, সিলভরগী মতমসু লোইখ্রে, মহাত্মা গান্ধীসু চৎখ্রে। মহাক গ্যান-মেন তাদনা চিংনবা লৈতনা খোল্লাউশিং অদু লাউদুনা লৈরম্মী। কদাইদনো অমা ট্রেন থৌরম্মী। ট্রেনগী ইঞ্জিনদগী থোক্লকপা সিটিগী মখোলদা ঙাইহাক্কী ওইনা অনেম-অৱাং খোঞ্জেলগী মরক্তা অমুক তপথা অমুক কনখৎ তৌরি।

অনেম্বা খোঞ্জেল অমসুং অমম্বগী তাঞ্জা অদুদা মহাক খঙহৌদনা তুমথখিরম্মী। তুমনা-তুমনা মহাক্না খল্লি মদুদি মহাক লিফ্ট অমদা লেপ্পুনা লৈ অদুগা বিল্ডিংগী মথোনশিং অদু মখাদা তাখিবগুম তৌরি। ইখঙ খঙহৌদনা মহাক লিফ্ট অদু মথোন অহুম-মরি অমুক্তদা পুন্না পায়খৎলকপগুমসু খল্লি। রঙ্গনাথ গ্যান মাঙই।

য়ুবিগী থাউ অমসুং অহোংবা মখলগী পরফ্যুম অমগী মনম মহাক্কী নাতোন তম্না লাকই। মনম অদু নুংশিবা অমদি নমথিবা মনমসু নত্তে। মদু শুপ্পগী তোঙানবা মখল অমগী মনমনি। খুজিগী তপ্না তাবা মখোল অমনা মহাক্কী তুমনিংলম্বা অদু খজিক মাঙখিবগুম তৌই। মতম অদুদা মীৎকুপ অমা মহাক্না করিগুম্বা খরা খল্লি মদুদি পুন্সি চুপ্পা খজুরাহো অমসুং কোনার্ককী আর্টকী ষ্টদি তৌরবসু লোইবা নাইবা ঙল্লোই।

মহাক ফমুং অদুগী নাকনদা ফমদুনা লৈরম্মী। মহাক্কী মখুৎ নামা অমা রঙ্গনাথকী মায়কৈরোমদা থম্মী। মহাক্না মঙোন্দা কনাগুম্বা অমনা থবাক্তা ননশিল্লকপগুম খল্লি। ফিজিগী মরুমদগী মোমোন লাউবা অমদি ফোং-ফোং শাবা খুৎ অমনা মহাক্কী খজাইদা নাল্লকপগুম তৌই। মহাক খাঙবা ঙমদ্রদুনা শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোল্লকই।

মহাক্কী মায়দা তারক্লিবা ফিজি অদু হায়গৎতুনা য়েংগে হোৎনৈ অদুবু অমম্বা অদুদা মখোয় অনীমক কনা অমত্তনা উবা ঙল্লমদে। মহাক্কী মথবাক্তা ননশিল্লক্লিবা অদুনা মহাক খাঙবা অসুম-অসুম ৱাশিল্লকই। খজাইদা থোৎলবা খুৎনা নাল্লদুনা নুংশিবা খোঞ্জেল অমনা হায়রকই, 'হায়, তুল্লবরো?'

রঙ্গনাথ তুম্বা কায়রে। মহাক্না মশাগী মকোক নোল্লম্মী। মহাক্কী মচিন্দগী ইপা পাখৎনা হায়, 'কনানো? কনানো?'

মীৎকুপ অমগী ওইনা মহাক্কী মথবাক্তা ননশিল্লকপা পোৎশক অদুগী মীহুন মাঙখিবগুম তৌই। অদুগা ইখঙ খঙহৌদনা মহাক চোংখৎতুনা ফমুং মনাক্তগী লাপ্পা লেপখ্রে। মখোন থোক্তনা মহাক্না হায়, 'হো ইমা!'

মহাক্কী মমাবু ইকায়খুম্নবা য়াম্না ফবা ৱানি। অদুবু ৱাহৈ অদু মতম অদুগী ওইনা শুপ্পগী পাখৎপগী ফোঙদোকপনি। রঙ্গনাথনা ফৈজুপ লৌথোক্তুনা লেপ্পুনা লৈখ্রে, অদুবু মহাক য়ুমথক অমদগী য়ুমথক অমদা য়ৌখিরম্মী।

হাংদুনা লৈরিবা থোঙদগী থোক্লক্তুনা মাঙ্গোলদা লেপ্লম্মী। খরা খজিক ঈংলম্মি। ফনা য়াম্না কুইরবা ফাওবা মহাক মনাকোং থাঙ্গৎতুনা তাদুনা লৈরম্মী। অদুবু নুংশিৎকী মখোন নৎতনা কনা অমত্তগী মখোন তাবা ফংলমদে। লাক্লল্লিবা মীওই অদুদসু 'হো ইমা' হায়বা শেংলবা ৱাহৈ অসি তারবা মতুংদা অতোপ্পা পাউজেল পীগদবা লৈখিদে।

থোঙ অদু মনুংদগী থিংজিন্দুনা মহাক ফমুং মথক্তা অমুক হন্না কাখৎতুনা তুম্বা হৌরকই, মতম অদুদা মহাক্না ৱাফম কয়া মথং-মথং খঙবা ঙল্লকই। অহানবা ওইনা কোনার্ক, ভুবনেশ্বর অমদি খজুরাহোনচিংবদা নুপীশিংগী লৈরিবা ফজখ্রবা নুঙগী মুর্তি অদু তশেংনা তাইবঙদা থোক্লক্লবদি মী অমবু য়াম্না লায়না ঙাওহনবা ঙমগনি। মহাক্না ৱাফম অসিমসু খঙবা ঙল্লম্মী মদুদি অরিবা ৱারীশিংগী মতাংদা অমদি ইন্দিয়াগী আর্টকী মতাংদা মহাক্না পাখিবা লাইরিক ময়াম অদু লোয়না মপুং ফাদে অমদি অরেম্বনি। ইন্দিয়াগী আর্টতা দোক্টরেট ফংবগী মহুৎতা মশক য়াম্না ফজবী পোজ তৌদুনা লৈরিবী নুপীশিং অদুগী মতেং ফংবনা হেন্না য়াম্না চাওবা কান্নবা হায়বদু ওইগনি।

অদুগা ৱাফমশিং অদু নাকল অমরোমদা লোয়না থমখ্রগা অতোপ্পা ৱাফম অমনা - অশেংবা ৱাফমদি - ৱাখল অমদা তাউদুনা লৈহল্লিবা পোৎশক অদু, 'অদোম, য়াম্না পঙই। অদোম ৱা ঙাওবগী করি মথৌ তাবগে? করিগীদমক পাখৎলিবনো? অদোম্না করিগীদমক মহাকপু মখা তানা থৌগল তৌনবা তাঞ্জা পীদ্রিবনো?'

'অদোম, অপঙবা নত্তে, গধানি। তাঞ্জা নানথোকখ্রবা মীওইশিংগী লিষ্টতা লাইন অমগা অমুক হাপচিনবনি।'

'অদোম, করিসু নত্তে, শুপ্পগী লাইবক্তা নুপীগী ফোটো খক ফংলো হায়বা হিন্দুষ্টানি ছাত্র অমনি।

তুম্নবা মহাক্না অমুক হন্না হোৎনৈ, অদুবু মহাক তুম্বা মতৌ করম্না ঙমগনি? মহাক মশাগী মখুৎ মথবাক্তা পায়জরম্মী অদুগা মশানা মশাবু য়াজরম্মি মদুদি মফম অদুদা করিসু লৈতে, শুপ্পগী মহাক্কী শরু থোক্লবা থবাক অদু নত্তনা।

মফম অদুদা কনা লৈবগে? ৱাফম অসিগী মতাংদা মহাক য়াম্না খনবা ঙমদে মরমদি মহাক্না মদু খন্নবগী তাঞ্জা ফংবা ঙল্লমদে।

অয়ুক্তা খুঙ্গং অদুদা পাউ অমা শন্দোক্লম্মী মদুদি জোগনাথ পুলিসনা ফাখ্রে। পূম্নমক ঙকপা ফাওরম্মী মদুদি ৱৈদ্যজিগী অখন্নবা মী অমবু মতৌ করম্না পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রিবনো? খুঙ্গং অদুগী গুন্দা অমদি অফবা মীওই পূম্নমক পাখৎনরম্মী। গুন্দাশিং অদুনা পাখৎলিবগী মরমদি ৱৈদ্যজিগী গুন্দা ফাওবা পুলিসনা ফাগৎপা ঙল্লবদি ঐখোয়দি করিসু নত্তে। অদুগা অফবা মীওইশিংনা পাখৎনরিবনা অদুগুম্বা মীওইশিং অদু ফাবা হৌরক্লবনিনা তাঞ্জা ফংবদা ঐখোয়সু লেম্না থাররোই অমদি করম্বা ফীভমদা ৱা ঙাঙলক্কনি হায়না।

পুলিসনা মী ফাবদা তৌখিবা দ্রমাগুম্না ঙসি জোগনাথপু ফাখিবা অদুসু দ্রমাগী মতৌ অমনি।

ফাবা-পুনবগী দ্রমাগী মওং অদুগী ক্রেদিট অদু পুলিসনা ফংফম থোকই হায়বসি হায়বগী মথৌ তাদে। কন্সটেবল অমনা হায়, মদুদি শাথিবা মীওইশিংবু ফানবগী চপচাবা মতমদি নোংঙাল্লমদাই মতমনি। মরম অদুনা ৱাফম অদু থাদোক্তুনা হায়বদি জোগনাথ মতম পুম্বদা শিবপালগঞ্জদা অদুমক কোয়দুনা লৈবনি। মহাকপু পুলিস ষ্টেসনদা মতম অমদা হেক্তা কৌদুনা ফাবসু য়াবনি। মখোয়না মহাকপু ফানবগী অদুগুল্লবা মতম অমা খল্লিবদু অঙকপা অমনি।

অয়ুক্কী পুং ৪.৩০ তারকপা মতমদা পুলিসনা মহাক্কী ময়ুম অদু মায়কৈ মরিদগী কোয়শিন্দুনা থমখিবনি। পূম্নমক্না খঙই মদুদি মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী মথৌ তারোই। তুমিন্না হেদ কন্সটেবল অদুদা হায়, 'কানপুর মায়কৈদগী লমহেনবা কাংবু অমা ঙরাং মফম অসিদা লাকই। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো মখোয় জোগনাথকী য়ুমদা লৈখ্রে।'

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা